ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩৯শুবা মশীং

# লুহোংবা পন্থা

## মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দনবা থৌরাং লৌখৎহন্নীংই

লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌজিক ফাওবা লৈরক্লবা চৎনবী অমা হায়বা তারগদি মৈতৈ/মীতৈশিংগী লুহোংবগী থবান অসিনি। হিন্দু লাইনিং চৎপা নৎত্রগা মৈতৈ/মীতৈ লাইনিং চৎপা মীপুম খুদিংমক্না মচা-মশুশিং লুহোং-কৈহোংবগী মতম অসি অফবা নুমীৎ, অফবা পুংফম থিনৈ। মসিগীদমক অখন্নবা অখঙ-অহৈগী মনাক্তা অফবা নুমীৎ, অফবা পুংফম হংবা চৎনৈ। চৎনবী অসি মৈতৈ খুন্নাই খক্তা নত্তনা অতৈ লাইনিংগীসু লৈতবা নত্তে। ষ্টেট অসিদা মীশিং য়াম্বা মৈতৈশিংনা লুহোং-কৈহোংবগী থৌরম অসি নোংমদা ১০০/২০০ দগী হেন্না পাঙথোক্লবা য়াওই। পাঙথোক্লরিবা মফম অদু তম্পাক্কী মফমশিংদনি। নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ২.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবগী মনুংদা লুহোংগদৌরিবী নুপী ময়ুমদা চৎননবা নুপা ময়ুমদগী মীয়াম লম্বীদা থোক্লরকই। মতম অমদদি লুহোং-কৈহোংবদা কিলোমিটর ৫ থাপ্লা মফম ফাওবদি খোঙনা চৎনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদনা মিটর ৫০০ খক্তং মফম ওইরবসু গাড়ী নৎত্রবদি চৎনদ্রে। লুহোংলিবী নুপী অদু নুপা ময়ুমদা থিল্লকপসু কাই (দোলাই) দা তোংহল্লগা লৈকায়গী মবুং মৌপ্বা, অহল-লমনশিংনা থাঙলগা পুবা চৎনরম্মী। হৌজিক্তি নীংথিনা লৈতেংলবা গাড়ী অমদা মখল মখা কয়াগী মচু-মমেনগী মৈঙাল হাপচিল্লগা নক্লবসু, লাপ্লবসু পুবগী চৎনবী লাক্লে। মমাঙঙৈগী মতমদদি য়ুম অমদগী মীওই অহুম থোরক্লবসু লুহোংবা চৎপদা খোঙনা চৎপনিনা মী লিশিং ১ চৎলবসু লম্বীদা চৎলিবা মীয়ামদা কা-হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহনবগী ফীভম অদু লৈরমদে। হৌজিক্কী মতমসিদদি লুহোংবা য়াওননবা থোক্লরক্লিবা মীপুম তীংনা কাংখোঙ মরিগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং পুথোক্লরকই। মশীং য়াম্লবা কাংখোঙ মরি পানবা মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিং থৌনরকই। লুহোংফম অমগী মশিং থিবদা য়ামদ্রবদা গাড়ী ৪০/৫০ দগী তাদ্রে। অখঙ-অহৈশিংনা অফবা নুমীৎ অমদা লৈকায় অমদা নৎত্রগা খুল অমদা লুহোংবগী অফবা নুমিৎ অসি মফম মঙা পীশিল্লক্লবা অমসুং অতৈ খুলগী লুহোংবশিংসু লম্বীদা থোক্লরকপদা মতম অমত্তদা পুন্না থেংনবা নৎত্রগা থৈনবা য়াওরকই। মশিং য়াম্লবা গাড়ীশিং চখোক চৎশিন তৌবা নৎত্রগা লান্থোক-লানশিন তৌবদা পুং ১ হেন্না পনবা য়াওরকই।

মৈতৈ/মীতৈশিংগী লুহোংবগী থা অসি অয়াম্বনা ৱাকচিং থা লোইখ্রবা মতুংদা লাকপা ফাইরেন অমসুং লমতা থা অসিনি। হৌজিক্তি শজিবু, কালেনদসু লুহোংবগী থৌরম অদুম্মক পাঙথোক্লবা য়াওই। খ্বাইদগী হেন্না মীয়াম্না ফৈ হায়না লৌনরিবা থা অসি ফাইরেন অমসুং লমতা থা অসিনি। ফাইরেন, লমতা হায়রগা থা অমা নৎত্রগা অনী অসিগী মনুংদা অপাম্বা নুমীৎ অমা হেক্তা খল্লগা লুহোংনবা নত্তে। অফবা পুংফম খল্লিবনি হায়দুনা অখঙ-অহৈশিংনা পীবা অফবা নুমীৎ অসিদা পুল্লপ লুহোংবগী মতম লেপশিন্নৈ। মতৌ অসুম্না নোংমদা মীওই অমনা লুহোংবগী চেবাও তরা ফাওবা ফংবা য়াওই। শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফনরকপা, কার লৈতবা ইমুং মশিং য়ামশিল্লক্তবা, চখোক-চৎশিনগী পান্থৈ ময়ুম-ময়ুমগী গাড়ীদা তাঙনরকপনা লুহোংবগী থা নৎত্রগা অকক্লবা নুমীৎ খরদদি ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিং অসি অদুক্কী মতিক চিল্লি। হায়ফেৎ মান্নবা পুংফম অমত্তদা থোক্লরকপা মশিং য়াম্লবা গাড়ীশিং অদুনা লম্বীদা ফৈজিনখিবদগী মীচম-মীয়াম্না অথু-অকায়গী, অনা-অয়েক্কী, মৈহৌ-লাংপোক্কী চৎননবা হোৎনরকপদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লে। লুহোংবা হায়বসি চৎনবী অমা ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌরম অমনি। অদুবু লুহোংবগী থৌরমনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মীওইদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনবা হায়বসিদি চৎনবী অসিনা পুনশিল্লগা চৎপা চুমদে। চুমদে হায়বা খঙলবা থৌওং অসি ঐখোয়না শেমদোকপা নৎত্রগদি কনানা শেম্বীগনি। মতাং অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ট্রাফিক পুলিসকী থৌদাং য়াম্না চাউই। অহৌবা অমা নাইনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ট্রাফিক পুলিসনা অখন্নবা থৌশিল খরা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ। শেমগদৌরিবা থৌশিল অদুদা লুহোংবগী থৌরমদা মশীং য়াম্লবা গাড়ী পরেং পরেং চৎলিবা অসি থিংননবগী ৱাফম য়াওহনফম থোকই। লুহোংলিবা নুপা, অথেনপোৎ পুরিবা মীওই, মমা-মপা অমসুং বেন্দ পার্টিনা তোংবা গাড়ী অদু নত্তনা অতৈ গাড়ীশিংদি সহরগী মরুওইবা লম্বীশিং অসি পুল্লপ চৎহল্লোইদবনি। অতোপ্পা লম্বী অমদা থৈরগা নৎত্রগা ত্রাফিক জাম থোক্লোইদবা লম্বীশিংদা কোইরগা চৎহন্ননবা য়েংশিলহন্নীংই। মমাঙদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুহোংবা চৎপদা অকক্লবা গাড়ী খরখক্তমক চৎকদবনি হায়না লাউথোকখিবসু লৈখ্রে। অদুবু হায়রিবা ৱাফম অদু ঙাক্লা চৎহনবগী মতৌদি উদে। থৌশিল অসিগীদমক লম্বীদা বেন্দ পার্টিগা লোয়ননা লুহোংবা লাকপা খুদিংমক তঙাইফদবা অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দগী লম্বীদা চৎপগী অয়াবা লৌহনবা চুম্মী। মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দনবা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো?

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়াওশঙ, থাবল চোংবা হিংবগী চংদবা য়াদ্রবা থবক অমা নত্তে

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

য়াওশঙ কুম্মৈসিবু তৌদবা য়াদবরা? য়াওশঙগী থাবল চোংবসু চোংদবমক ইয়া-য়াদবরা হায়না হংনীংই। হংদ্রবসু য়াবদি য়াই। অদুবু হেক্তা হংনীংবা ফাওরকই। করিগীনো হায়বদি খঙদে। অসিগুম্না হংনীংবা মীওই কয়া লৈরমগনি। অদুগা অমরোমদা য়াওশঙ কুম্মৈসিবু কুমসিগী ওইনা তোক্কদৌরবরা? থাবল চোংবসু তোক্কদৌরিব্রা হায়না হংনীংবা, নুংনাংবা ফাওজবা মীওই কয়াসু শোয়দনা লৈরমগনি। মদু করিগীনো হায়না হংলুবদা কান্নবদি ওইদে। অদুনদি য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবদা অপাম্বা পোকপা অমদি পামজদবা মীওইশিং মায়কৈ অনী থোক্লা লৈরে হায়বসিমদি শোয়দ্রে। মসিবু পাঙথোকপদা মীওইবা ঐখোয়দা কান্নবা/কান্নদবা হায়বদুদি ইশা-ইশানা ৱাখল খন্থজবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়বসিদা লানগনি হায়বা থাজদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অতৈগী নত্তে হৌজিক্কী মতমসি তমথীরবা কোরোনা লাইচৎকী মমৈ ওইরি। শম্না হায়রবদা থোইদোক্লা লায়না অসিগী মহি-ময়াই হন্দ্রি। তাইবঙ মীওইবদা অৱা-চৈথেং অদুমক পীরি। মসিগী খুদম হায়ববু ভেক্সিন কন্না কাপ্পগী থবক চত্থরি। মসিনা ইশম-শম্না তাক্লিবদি অতৈ করিসু নত্তে কোরোনাগী তমথীরবা মহিক অসিবু নমথনবা/হাৎনবা তাইবঙ মীওইবনা কন্না হোৎনরি হায়বনি। অদুনদি থেংনরিবা লান্থেং অসি চত্থরি, লান লোইদ্রি, শোক্লরি হায়বনি। লান লোইদ্রিঙৈদা য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিবা কয়া থবক তৌবা চুমগদ্রা? মসিমক লান থেংনবগী মতিক চাবা খূৎলায় ৱাৎলবা তাইবঙ মীওইবনা তৌবা চুমগদ্রা?

য়াওশঙগা কোরোনাগা অনীসি চানদে। য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবনা কোরোনা শন্দাকপদা মতেং চাউনা পাংগনি। অদুনা মীওইবা ঐখোয়দদি করিগুম্বা মতেং চাউনা পাংগনি। অদুগা মীওইবা ঐখোয়দদি করিগুম্বা মতেং অমত্তা পাংবগী ৱাফম লৈতে। অদুগুম্বা থৌওং অদুবু করিগী তৌফম থোকপ্রা? অদুগা অমুক য়েংবসু য়াই মদুদি য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবা হায়বসি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইবরা। করিগুম্বা ওইরে হায়রবদি শোয়দনা তৌফম থোক্লে। তৌফম থোক্লে হায়বা তারবদি মীওইবনা পোকপা অমদি শিবগী মতাংদা তৌদবা য়াদবা থৌরম অদুগুম্বদু ওইবা তাবনি। অদুবু কূপ্না য়েংলুবা মতমদদি য়াওঙ অমদি থাবল চোংবা হায়বা থৌওং অসি তৌদবা য়াদবা হায়বদুমক্তি ওইদে। মসিদি কুম্মৈ মখল অমনি। তাইবঙ মীওইবনা হরাও-নুংঙাইরবা মতমদা তৌবনি। মীওইবা খুন্নাই অদুনা চাকহোঙ-ঙাহোঙলবা মতমদা তৌবনি। মীওইবনা পোকপা অমদি শিবগী মতমদা পাঙথোকপা থৌরমশিং অদুদি কুম্মৈ নত্তে হায়বদি মসিদি খুন্নাই অদুনা চাকহোঙগেরা নৎত্রগা চাকহোঙঙোইরা, লায়রগেরা, ইনাকখুনগেরা-খুল্লোইরা, অনাবা য়াওগেরা য়াওরোইরা তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমনি। অদুবু কনাগুম্বা ইমুং অমদা অনা-অয়েক অমদি অশি-অনা য়াওবা মতমদদি য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবগী কুম্মৈ অসিদা শরুক য়ানদে। মসিনা তাকপদি য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবা হায়বা কুম্মৈ অসি তৌদ্রবসু য়াবা অমনি হায়বদি কোরোনা লাইচৎকী লান মনুং অসিদনি।

থাবল চোংবা, য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি শেল য়াম্না চঙবা থবক অমনি। ইশা-ইশাদগী শেল য়াম্না চৎলি হায়বসি লোইনা খঙনরবা উবা ফংনরবা ঙাক্তনি। অদুনবু কুম্মৈ অসি নুংঙাইথোকপগী কুম্মৈনি। চাকহোঙ-ঙাহোঙবগী ওইবা কুম্মৈ অমনি। অদু ওইরবদি হৌখিবা চহী অসিদা কোরোনানা মরম ওইদুনা মালেমগী মীয়াম ময়ূমদগী মপান থোক্তুনা শুবা-নোম্বা তৌবা য়াখিদ্রে। শীজিন্নবা পোৎ-চৈশিংগী পোত্থোক পুথোকপগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে। করিগীনো হায়বা তারবদি পোৎ-চৈ শাগদবা অদু তাইবঙ মীওইবননি। মীওইবা য়াওদনা মীনা শাবা রোবোট মথন্তনা ফেক্টরিদগী পোৎ-চৈ শারগা পুথোল্লকপা ঙম্বা নত্তে। মীওইবনা শু-নোমদ্রবদি মশাগী ইমুং-মনুং থাক্লবা শেল ফংদ্রে হায়বদি শেন্থোক লৈত্রে। মখূৎতা শেল লৈত্রবদি পোৎ-চৈ লৈবা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মীওইবদি পোৎ-চৈ লৈদুনা হিংবনি। হৌখিবা চহীদা পোত্থোক পুথোকপা ঙমহৌদবদগী ঙসিদি মীয়ামসিনা শীজিন্নগদবা পোৎ-চৈ ফংবগী চাং য়াম্না ৱাৎলে, ফংদ্রে মরাং কায়না। লৈবিনবা মীগী মশীংনদি য়াম্বা হেনবনিনা পোৎ ফংবগী চাং য়াম্না ৱাৎলে। পোৎকী মমলসু য়াম্না ৱাংনা য়োল্লে। শেল পায়জদবা ইমুং কয়াদি হিংবদা চঙবা পোৎ চৈ কয়া লৈজবা ঙমদ্রে। শেন্থোক লৈবা থবক কয়া শু-নোম্লম্বা মীওই কয়াসু শুফম নোমফম লৈতবদগী শেন্থোক লৈত্রে। অমরোমদনা য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি থাবল চোংদবা য়াদে হায়বগী ফি শেমগৎপা মানবা ইৱায়-ইনিল অমা লৈরকপগুম তৌরক্লি।

অতৈ অমত্তা কান্নদে ইশা-ইশানা মাগী মাগী ইমুং-মনুংদা কুমসিদি য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি থাবল চোংবগী কুম্মৈ পাঙথোক্তনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নবা মথৌ য়াম্না তারে। লৈশাবী লৈবা ইমুং-মনুংদা থাবল চোংনবগী ৱাখল ফাথহনবা মথৌ চাউনা তারে। মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বাশিংনা থৌদাং লৌবীগদবনি। লৈকায়গী ক্লবশিংনসু স্পোর্টস, থাবল চোংবগী থবক কুমসিগী ওইনদি পোত্থারসি হায়না ৱারেপ লৌবনা চুমগনি। অসুক য়াম্না শেল থুমগী অৱাবা লৈরবা মতম অসিদা য়াওশঙ স্পোর্টসকী, থাবল চোংবগী, চাক-চান্নবগী শেল কায়বদা অৱাবা ওইনগনি। হিংবদা চংবা থবক অমসু নত্তবদুদা ঙসিদি কনানসু শেল পীনীংলোই। অদুগা পীনীংঙাই শেলসু লৈরোই। পীনীংলোইদবা মতমদা, মফমদা শেল খায়রবা হায়বসি অশিংবগী থবক নত্তে হায়বসি ইশা-ইশানা খঞ্জবা চুমগনি। থাবল চোংবগী বেন্দ পার্টি নেকপা, মৈ থানবগী অৱায়মল শেল য়াম্না ৱাংগনি হন্দক্তি। য়াওশঙ অমদি থাবল চোংবগী থবক অসিনা তৌরিবদি মী য়াম্না তিনবগী থৌওংনি হায়বসি লোইনা খঙনরবনিনা কোরোনাগী লাইচৎ মী অমদগী মী অমদা শন্দোকপা থিংনবা কুমসিদি অচেৎপা ফিরেপ লৌনরসি ঐখোয়-ঐখোয়গী ইমুং-মনুংদা। পোকপা অমদি শিবগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌরম কয়া ফাওবা মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লরবা মতমসিদা য়াওশঙ, থাবল চোংবা, চাক চান্নবা, লীলা, ঈশৈ তৌদবা য়াদবগুম্না ৱাখল খন্নরকপা য়াওনরক্লবদি মপূং ফাদবা মীওইবা হায়বদু ওইগদ্রা হায়না খল্লি। ●

# মীতৈ/মৈতৈগী লুহোংবগী থৌরম পরিং কায়হন্নীংদে

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতমসিদা পাঙথোক্লরিবা মীতৈ/মৈতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরমশিংদা, মতমগী মতুংইন্না অহোংবা লৈথেৎ কয়ামরুম ফেঞ্জিল্লকপা থেংনরি। থৌদৌশিংসিমক্তি তৌহন্নীংদে। গৌরগী ওইরো, মীতৈ/মৈতৈগী ওইরো, ফুরুপসিগী লুহোংবগী থৌরমদি তশেংনা মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ অতৈগী লুহোংবগী থৌরমশিংদগী পুমতোপ-তোপ্পা অমনি হায়বসি লৌনদুনা লাক্লি। ফুরুপসিগী লুহোংবগী থৌরমদা কৈন্যানা শেৎলিবা পোৎলোয় হায়বা ফিজেৎসি মালেমকী ফম্পাকসিগা ঈরোয়ননা গ্রহ কয়ামরুম অমদি থৱাম্মীচাক কয়ামরুমগী অপূনবা সিম্বোলগী মশক ওইবনি। লুহোংবা নুমিত্তা বর ওইরিবা মীশক্লা য়েৎলিবা কোকয়েৎসিনা মশেক-মঙাল নাইবা কোরৌহনবা (নুমিৎ) মাগী শক্তমগী পাঙখক্লি। মালেম লৈমগা কোরৌ হনবগা অনীগী লৈনবা মরী অমদি কোরৌ অমসুং মালেম অনীগী খোঙচত্তা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোক্লবা মীতৈ/মৈতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরমনি। থাদোক্লবা, লাপথোক্লবা য়াদ্রবা মালেম লৈমা অমদি কোরৌহনবা অনীগী মতৌগুম, লুহোংবা নুমিত্তা বর-কৈন্যা অনীগী অনৌবা য়ূম্বান লম্বী অমগী শক্তমদা মীতৈ/মৈতৈশিংনা লুহোংবগী থৌরম পাঙথোক্লরকই হায়বসি অচুম্বা ওইগনি। মায়কৈ অমরোমদনা, লু হায়বসি কোক্কী শমনি। লু হোংবা হায়বদি শম হোংবা হায়বনি। কৈন্যা ওইবীদুনা নহান মখৈ মশম শাই থাদদুনা লৈশাবী ওইরম্বদগী লু (শম) হুগৎতুনা মৌনি হায়বা তাক্লক্কদৌরিবা, লু (শম) হোংবগী থৌরমনি। নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্লা পীক থনবা মীতৈ/মৈতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরম, শাগৈগী পু (লাইওইখ্রবা মপা অমদি মপু) অহুমগী মরোল ফাওবা কৌথরগা নুংঙাই-য়াইফগী থৌজাল নীজদুনা পুন্সিগী ওইবা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙ থাংজিনবগী লাইনীং-লাইশোনগা লোয়ননা পাঙথোক্লরিবনি। পুন্সিগী অহানবা অমসুং অরোইবা অনীমক পুল্লবা, য়ূম্বান লম্বীদা নৌনা খোঙ থাংজিনবগী অরুবা থৌরম অমনি। থৌরমসিদা হাপতোক-হাপচিন, হেন্দোক হেঞ্জিনগী থৌওংশিং পংহাপ-হাপচিন্নরকপা, অচুম্বা থৌদৌ ওইরমগনি নীংদে।

মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনরক্লবা, লমদমসিদা য়েলহৌমী ওইনা খুন্দারিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্না করিগুম্বা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম অমা পাঙথোকপদা, লৈকায়দুগী নৎত্রগা লমদমদুগী অহল ওইরবা মীওইশিংবু শোন্নপুঙগী মমাঙ ইথং-থংবা ফিদাশিংদা ফমহন্দুনা, ভাবক ওইনা শরুক য়াহনবসি অসুক্কী মতিক ফজবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোন্নি। অদুবু, ঙসিদি চেন্থরকপা মতমগী ঈচেলসিদা, ভাবকশিংদসু শেল কয়া থাবগী চৎনবী হায়বা অমা লৈরকপসিনা থৌদৌসি মমৈ-মকোক ওন্ননা উহল্লকপগুম তৌরি। অসিগুম্বা ভাবকশিংদা শেল থাবগী থৌদৌ হাপচিল্লকপসিনা লাঞ্জদ্রবা ভাবক অহল-লমনশিংগী পোফমসি হন্থবা থাক্তা চিংথরক্লবগী মরম ওইহল্লকপসু য়াই। ভাবকশিংদা শেল য়াম্না থাবগী চৎনবীনা ভাবকশিংগী মগুন হন্থহল্লকই হায়বসি অচুম্বা ৱাফমনি। মমাঙঙৈগী মতমশিংদা অহল-লমনশিং নত্তনা ভাবক ওইনরমদবদু হৌজিক্তি তাঞ্জাবু ফংলবদি, নহাশিংনা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা ভাবক ওইশিল্লকপগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। থৌদৌশিংসিদা শক-শোল্লিবা থৌরমসিগী মগুন হন্থহল্লক্তনবগী মরম লৈরোই। ফীভমসি অসিগুম্বা থৌরমশিংদা ভাবকশিংদা শেল হেন্না-তোয়না থাবগী চৎনবীসি লাকপদগী ওইরকখিবনি। তৌবুদি থৌদৌসি, ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা ভাবক ওইবদা মতিক চাবা লৈকায়গী অহল-লমনশিংগী মশীং লিক্লকপনা, ভাবক্কীদমক লম লাপ্না চৎলগা অহল-লমনশিং হায়জরুবা অমদি অরাপ্পদগী লাকপীবা অহলশিংদুদা থৌবুদুনা দক্ষিনা ওইনা শেল খরা-খরা কচচবদগী হৌরকখিবনি। মতমদুদা লৈকায় লান্না, লম লাপ্না অমদি ৱানা লাকচরিবা অহল-লমনশিংদুগীদমক য়েংলগা, থৌবুদুনা ভাবকশিংদুদা দক্ষিনা খরা-খরা কচচবগী থৌদৌদুদা, থৌবুদুবু নুংশিবীবা থৌরম য়াওবা লাকপীবা মরুপ-মপাংশিং খরনা তেংবাঙশিনবদগী, ঙসি-ঙসিমক উনরিবা ভাবকশিংদা শেল থাবগী চৎনবীসিগী মরূ হুলহল্লকখিবনি। ঙসিনা থৌদৌসিমক খুন্নাইসিগী ওইনা অরানবা লম্বী অমা হায়বদু য়াম্না চাউনা ওইরক্লবরা খল্লি। চুম্না হায়রবদা, লমদমসিদা চৎনরিবা পুঙ-ঈশৈগী পালাশিংদা শেল থাবগী চৎনবীসিসু, থৌবুদু খক্তনা তৌজরম্বদগী, থৌবুদুবু নুংশিবীবা থৌরম য়াওবীরিবা মরুপ-মপাংশিংনা থৌবুগী মতেং পাংদুনা পালাদা শেল থাবদগী, চৎনরকখিবা ওইরমগনি। অদুম ওইনমক, শক-শোল্লিবা পালাশিংগা ভাবকশিংগগী মরক্তা খেন্নবা ৱাংনা লৈবনা, থৌরম য়াওবা লাক্লরিবা কাঙবুশিংনা ভাবক নত্তনা পুঙ-ঈশৈ পালাশিংদা তেংবাঙবগী ৱাখল্লোন্দা অঙম্বা শেনফম খরা থানবসিদি থোয়দোক্লা অরানবা ওইরমগনি নীংদে।

হৌজিক্কী মতমদা নহা-অহল খায়দনা শেল শীজিন্নফমগী চাংনা ৱাংখৎলকপা অমসুং শেল থোক্লবগী লম্বীনা নেমশিল্লকপসিদা ঐখোয় খুদিংমক্লা, শেল থোক্লবগী লম্বীশিংবুদি মতম পূম্নমক্তা ইকায়খুম্নৈ অমসুং খক মীরায়নীংদে। অদুম ওইনমক, ফীভমসিমক্লা চহী য়ামশিল্লক্লবা অহল-লমনশিং, ইপা-ইপুশিংগী ইকায়খুম্নবা ময়েং তাগদবা থৌদৌশিংদি ওইহন্নীংদে। নহা ওইরিবা ঐখোয়না অহল-লমনশিংবু অসিগুম্বা পোফমশিং মায়োক্লবসু খক শীল্লোইদবনি। ঙাইরুদনা লাক্কদবা অহল ওইরকপগী পোফমনি। লাইবক ফরবদি ঐখোয়গীসু পোফমদু কুইদনা য়ৌরকপা য়াই। কনাগুম্বশিংনা অহল ওইরবশিংগী পোফমদা য়েৎশিন-খোৎচিনবীবসু চুম্লোই। নাকল অমরোমদা, অহলদবু ওইরবসু নহাদবু ওইরবসু, মীতৈ/মৈতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরমদদা নত্তনা হৌজিক্কী মতমদা থৌরম খুদিংমক্তা ভাবক্তা শেল য়াম্না থাবগী চৎনবীসি হন্থহনবা চুমগনি। য়ামদ্রবদা, থৌরম অমদা ভাবক্তা শেল থাবগী চৎনবীসিদি ঙমজবা মওংদা থৌবুশিংগী থৌগায় ওইহনফম থোকই। মসিনা মরমসু চাই। ফোঙদোকচরিবা খরসিদা ভাবকশিংদা শেল থাবগী চৎনবীসিনা থৌরমগী অহকপা থৌদাংশিং য়াবীরিবা ইরমদমসিগী অহল ওইরবা ভাবকশিংদা শেল ফংহন্নীংবা অমসুং ফংহন্নীংদবগী ৱাফমগদি থোইদোক্লা মরী লৈনদে। তৌবতবু লাইনীং-লাইশোলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা খুন্নাইসিগী থৌরমশিং ওইবনা চৎন-কাঙলোন হায়বসি পরিং-পথাপ অমা নাইনা অমসুং কাঙলোন চুম্না চত্থবা থৌরমশিং ওইহঞ্জনীংই। হৌজিক্কী মতমদা লুহোংবগী বর-কৈন্যা অনীদা শেল থানীংবা কাঙবুশিং খরনা পংথাদা থাজিনবসু উনরি। কৈন্যানা বর ওইরিবদুদা লৈ চাইবদসু শেল হাপচিনবীদুনা লৈ চাইবদা শেল য়াওনা চাইহন্নীংবা কাঙবুশিংসু থোক্লক্লি। লুহোংবগী ঈশৈ শকপীশিংদা বাসোক শকপদা থাগদবা শেন্থাদা, মথং-মথং লেপ্তুনা শেল থাজিনবগী থৌওংশিং চত্থরক্লি। চৎনবী হায়বসি ঐখোয়না শেম্বনি হায়বগী মতাগুম, লুহোংবগী থৌরমদা তৌনীংবতা তৌবা, চত্থনীংবা মওংদা চত্থবসি য়েংবদা মরিং-মরাংবা পোকই। মীতৈ/মৈতৈশিংগী লুহোংবগী থৌরম হায়বসি তশেংনা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরমদা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোকপনি। লুহোংফম হায়বসি বাসোক শকফম অমগদি অসুক্কী মতিক খেন্নবা লৈগনি। ঐখোয়গী লুহোংবগী থৌরমদি মথক্তা পঞ্জখিবদুনি, তশেংনা লুহোংবা হায়বা থৌরমসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্কা চেৎনা থাগোন্নদুনা চৎপনি। কাবা-কূম্বা লৈতবা, হেন্দোক-হেঞ্জিন নাইদবা, লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা অকক্লবা থৌরমগী পনখৈনুংদগী হেন্দোক্তবা, অরেপ্পা লৈবা থৌরম অমনি। মরী লৈনবশিংনা লুহোংবগী থৌরম্মু খজিক্তং চেকশিন্না য়েংশিনহঞ্জনীংই। নৎত্রবদি মমৈথংদা ফুরুপসিগী লুহোংবগী থৌরমসি লাইনীং-লাইশোনগা লোয়ননা নুংগী ৱাহন্থোক লৈনা পাঙথোকপা থৌরম অমনি হায়বসি কাউনরকপা য়াই।

লোইরকপদা চেঞ্জনীংলিবা পাউজেলসি, ঐখোয়গী লুহোংবগী থৌরমসি মওং-মরীল কায়হন্দনা পাঙথোকপা, হেন্দোক-হেঞ্জিন লৈহন্দবা, লাইনীং-লাইশোনগা লোয়নবা, অকক্লবা থৌরম অমা ওইহনসি হায়বসিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।